লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এস সী ৱাই য়ূম্নাম খুনৌ, য়াইচেনবা এফ সী সেক্তা অমসুং এফ এফ সী চালৌ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা নুঙ্গৈই অৱাং লৈকায় প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস সী ৱাই য়ূম্নাম খুনৌ, য়াইচেনবা এফ সী সেক্তা অমসুং এফ এফ সী চালৌ মায় পাকখ্রে। অদুগা ৱাই ঈ এফ সী অমসুং দি এফ সী দুইগাইপাংজাং ড্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা লোংজম ইবোচৌ অমসুং লোংজম ওংবী অহনবী নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চৎথরকপা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এস টি টি সেক্তা অমসুং এস সী ৱাই য়ূম্নাম খুনৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী মরিশুবা মিনিটতা এস টি টিগী এন হেনরিনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু এস টি টিনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মিনিট ১ কান্নরগা মেচকী ৫শুবা মিনিটতা এস সী ৱাইগী তোম্বনা এস টি টিনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মেচকী ১৬শুবা মিনিটতা তোম্বনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। তোম্বনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু এস সী ৱাইনা গোল ২-১দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। এস সী ৱাইনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এস টি টিগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চৎথরকখি। এস টি টিগী এটেকশিং অদু এস সী ৱাইগী শান্নরোয়শিংনা নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস টি টিগী মায়কৈদগী এস সী ৱাইনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ২৮শুবা মিনিটতা এস সী ৱাইগী জোনসন্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু গোল ৩-১দা লৈহনখি। এস টি টিগী মায়কৈদগীসু এস সী ৱাইনা গোল অনী মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম য়াঙনা শান্নরকখি। মেচকী ৪২শুবা মিনিটতা এন হেনরিনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা এস সী ৱাইগী অনীশুবা গোল অদু হন্দোক্লা মেচ অদু এস টি টিনা গোল ২-৩দা অমুক লৈখি। মিনিট ৪ কান্নরগা মেচকী ৪৬শুবা মিনিটতা এস সী ৱাইগী জোনসন্না মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনখি। মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৫০ প্লস ৱান চৎপা মতমদা জোনসন্না মহাক্কী অহুমশুবা গোল চল্লগা হেট্রিক লৌদুনা মেচ অদু গোল ৫-২দা লৈদুনা মহাক্কী টিম্সু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা এস টি টিগী শান্নরোয়শিংনা এস সী ৱাইনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা এস সী ৱাইনা মেচ অদু গোল ৫-২দা মায় পাকখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদগী গ্রুপ দিগী ৱাইরি এফ সী অমসুং দি এফ সী দুইদাগাইপাংজাং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা গোল ০-০দা ড্রো চৎখি।

ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা নুংথিল পুং ২ তাবদগী গ্রুপ সীগী ৱাই এসী লৈতানপোকপী অমসুং য়াইচেনবা এফ সী সেক্তা শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৮শুবা মিনিটতা য়াইচেনবা এফ সীগী রঞ্জন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ১৪শুবা মিনিটতা ৱাই এস সীগী গুগুন্না য়াইচেনবা এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মিনিট ২ কান্নরগা মেচকী ১৬শুবা মিনিটতা য়াইচেনবা এফ সীগী রোনাল্ডনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচকী ২১শুবা মিনিটত অমুক রোনাল্ডনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু য়াইচেনবা এফ সীনা গোল ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়াইচেনবা এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অনী অদু ৱাই এস সীগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৩৪শুবা মিনিটতা ৱাই এস সীগী ৱাহাসনা য়াইচেনবা এফ সীগী অনীশুবা গোল হন্দোক্তুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-৩দা লৈখি। গোল চনখিবগী মিনিট ৩ কান্নরগা মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা য়াইচেনবা এফ সীগী রঞ্জন্না মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনশিনখি। রঞ্জন্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু য়াইচেনবা এফ সীবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা য়াইচেনবা এফ সীনা গোল অনী মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অদু হন্দোকপা ঙমদনা ৱাই এস সী মেচ অদুদা মায়থীহৌখি। অদুগা য়াইচেনবা এফ সীনা মেচ অদু গোল ৪-২দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অরোইবা অমসুং মরিশুবা গ্রাউন্দদা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী গ্রুপ বিগী কৈবি এফ সী অমসুং এফ এফ সী চালৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা এফ এফ সী চালৌনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মেচকী ৭শুবা মিনিটতা এফ এফ সীগী জেমসনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থানা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কৈবি এফ সীগী মায়কৈদগী এফ এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী কেবি এফ সীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চৎথরকখি। এফ এফ সী চালৌগী শান্নরোয়শিংনসু কৈবি এফ সীগী এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌনবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা কেবি এফ সীগী নাওসুরাজনা এফ এফ সীগী অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মেচকী ৪৫ অমসুং ৪৭শুবা মিনিটতা এফ এফ সীগী জয়চন্দ্রনা গোল অনী মথং মথং চনশিল্লকখি। জয়চন্দ্রনা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু এফ এফ সীনা গোল ৩-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা লৈহনখি। এফ এফ সীনা গোল অনী মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অদু হন্দোকপা ঙমদনা কৈবি এফ সী মায়থীহৌখি। অদুগা এফ এফ সীনা কৈবি এফ সীবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭০

১) লাই ময়াম্না শগোল কাংজৈ শান্নবদা থাংজিংনা তোংবা শগোল অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২) ওলেম্পিক্কী ঈশিংদা পাঙথোকপা থৌরম (ইরোইবা, দাইভিং, ৱাটর পোলো, হি হোনবা, য়াটচিং) দা সনাগী মেদল অনীরক ফংবা ঙমখি। কম্মনৱেলথ গেমসতা কংফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াবদা মহাক মেদল অমা ফংবা ঙমখি। মহাক কনানো?

৩) মখাদা পীরিবা মমিংশিং অসি 'বাইটন কপ' তা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনি।
(ক) হেলিম চৌধুরি (খ) পোৎশংবম লালমনি (গ) লৈশাংথেম কেশো (ঘ) অকোইজম মনিহার
(ঙ) গুরু অরিবম তোমচৌবী শর্ম্মা।
মখোয়গী মরক্তা অমদি মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা অতোপ্পা মশান্না অমদসু শরুক য়াখি। মহাক কনানো?

৪) মহাক্কী মহারানি ওলেম্পিক্কী ইরোইবীনি। মহাক মশামক্তি ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা কয়ারক হন্না শরুক য়াবদা মায় পাকখিদে। মহাক করি লৈবাক্কী মপূনো?

৫) উৎলিবা শান্নরোয় অনী অসিগী মমিং পীয়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিমদা ৱেটলিফটর সঞ্জিতা চনু অমসুং মিরাবাই চনু অদুমক য়াওরি

ন্যু দেল্লি, মে ১০ : ইন্দিয়া লৈঙাক্না মালেমগী থাক্তা অফবা শান্নরোয় পুথোক্লবগীদমক টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস) গী তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন্দা খনগৎপা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা হান্নদগী লৈরিবা মণিপুরগী ৱেটলিফটর অনী সঞ্জিতা চনু অমসুং মিরাবাই চনু য়াওরি।

অমরোমদা, স্কিম অসিদা য়াওরম্বা শুটিং দিসিপ্লিনগী নুপাগী মায়কৈদা গগন নারঙগী মমিং স্কিম অসিদগী লৌথোকখি। সঞ্জিতা চনু হন্দক্তা লোইশিনখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা নুপীগী কেজি ৫৩গী ৱেটলিফটিং কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। লোয়ননা কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমস অদুগী ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্টকী খ্বাইদগী অহানবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবী মিরাবাই চনুসু স্কিম অসিদা লেংদনা লৈরি।

নৌনা মমিং হাপচিল্লকপা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নুপীগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা কম্মনৱেলথ গেমসকী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবী মশাগী চহী ১৮দা ঙাইরিবী হিমা দাসনি। পনবা য়াই, মহাক গেমস অদুদা অহানবা ওইনা শরুক য়াথ্রবসু ৬শুবা পোজিসন তাহৌবা ঙমখি।

ত্রেক এন্দ ফিল্দদা ওলেম্পিক ৩লক শরুক য়াবা ঙমখিবী নুপীগী দিস্কস থ্রো এথলেট সিমা পুনিয়া স্কিম অসিদা অদুমক য়াওরি। পনবা য়াই, কুমজা ২০১৪ ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মদুদা নত্তনা হন্দক্কী কম্মনৱেলথ গেমস অদুদা ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

শুটিংগী লমদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিএন্স লৈরবা গগন নারঙ টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিম অদুগী লিষ্টতগী লৌথোকখি। পনবা য়াই, গগন নারঙ মহাক্কী শুটিং কেরিয়রদা কম্মনৱেলথ গেমস অদুদা ৭শুবা পোজিসন তাদুনা য়াম্না নীংবা কায়বা পার্ফোমেন্স অমা ওইখি। মদুগী মমাঙদা মহাক্না শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেদল ৮ অমদি শিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী বি সাই প্রানিট অমসুং সমির বর্ম্মা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



সিদনি, মে ১০ (এজেন্সি) ঃ ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা চৎথরিবা ওস্ট্রেলিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রানিট অমসুং সমির বর্ম্মা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রানিটনা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় পাঞ্জি অহম্মদ মোলানাবু স্ট্রেট গেম অনীদা ইৱা ৱাদনা ২১-১২, ২১-১৪দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। প্রানিটনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় নি চুক লিগা লম্বা তৌনরগনি। লিনা মহাক্কী প্রি ক্বার্টরদা মালেসিয়াগী শান্নরোয় সিম জে ৱাইবু ২১-১৭, ১২-২১, ২২-২০দা থোইরমখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সীদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম্মনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল ওইরিবা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় টকুমা ইদাবু স্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৬, ২১-১২দা মায়থীবা পীরমখি। মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু সমির বর্ম্মগী মায়াক্তা টকুমানা প্রেসর খরা পীবা ঙমখ্রবসু অনীশুবা গেমদদি সমির বর্ম্মনা য়াম্না লাকচনা থোইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা সমির বর্ম্মনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় লু গ্বাংজুগা শান্নরগনি। গ্বাংজুনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা মালেসিয়াগী সেংদু এফপু ২১-১৫, ২১-১১দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ৫শুবা শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুবিয়াটোনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ঝৌ জিক্যুগা লম্বা তৌনরগনি। সুবিয়াটোনা মহাক্কী প্রি ক্বার্টরদা জপানগী শান্নরোয় ৱাই ইগারাসিবু ২১-১২, ২১-৯দা থোইরমখি।

অমরোমদা, ঝৌনা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় টাকেসিতাবু ২১-৮, ২১-১৪দা থোইখি। নুপাগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ঝাও জে পি অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী এস দি কুনকোরো লম্বা তৌনগনি। ঝাওনা টিম মেট সুনবু ২-১দা থোইরমখি। অদুগা কুনকোরোনা মলেসিয়াগী চোং ৱাইবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।



# এ সি মিলানবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা জুবেন্টসনা কোপা ইটালিয়া কপ ২০১৮গী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

রোম, মে ১০ঃ য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংগা য়াম্ন মরু ওইবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইটালিগী নেসনেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা ইটালিয়া কপ অমরোমদা টি আই এম কপ হায়নসু খঙনরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা এসি মিলানবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা জুবেন্টসনা কুমজা ২০১৮গী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

কোপা ইটলিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি হন্দক চহীদা পাঙথোক অসি থারগা পুন্না ৭১রকশুবা ইদিসননি। হৌখিবা টুর্নামেন্ট ৩ থংন-থংননা মায়পাক্তুনা লাক্লিবা জুবেন্টসনা ঙরাং অথেঙবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা জুবেন্টসনা এসি মিলানবু পাঞ্জল ৪-০দা য়াম্না হেন্দুনা থোইবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৪-২০১৫দা জুবেন্টসনা লাজিওবু মায়থিবা পীখি। মদুগী মতুং তারকপা কুমজা ২০১৫-২০১৬তা ঙরাং ফাইনেল শান্নখিবা এলি মিলানবু থোইবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১৬-২০১৭তা লাজিওবু অমুকসু মায়থিবা পীদুনা টাইটল ৩ থংন-থংননা মায়পাক্তুনা লাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বৈলদা জুবেন্টসনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা জেনুৱাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থিবা পীখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা টোরিনোবুসু পাঞ্জল ২-০দা থোইরবা মতুং সেমিফাইনেলদা অটালান্টাবু লেগ অনীশান্নবদা মেচ অনীম্মক ১-০, ১-০দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ২-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ঙরাং জুবেন্টসকা কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল লম্বা তৌখিবা এসি মিলান্না মখোয়গী মায়কৈদগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হেলাস ভেরোনাবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইন্টর্নেজিওনেলবু এক্সত্রা টাইমদা শুপ্পগী পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি। সেমি ফাইনেলগী লেগ অনী শান্নবদা লাজিওবু পেনাল্টি সুট আউটতা পাঞ্জল ৫-৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং অথেঙবদা রোম সিটিগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কোপা ইটালিগী ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা তৌনখিবা জুবেন্টস অমসুং এসি মিলানগী মেচ অদু য়ামদ্রবগা মীওই ৬৬০০০ হেনবনা মীৎয়েং তাখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাল্ফ মায়কৈ অনীম্মক্তগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ১১ চঙশিল্লকপদা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী মেধি বেনেটিয়ানা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু অতোপ্পা জুবেন্টসকী শান্নরোই দোগ্লাস কোস্টানা ৬১শুবা মিনটতা চনখি। মতম ইকান কান্নদনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মেধি বেনেটিয়ানা ৬৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল অদুদা জুবেন্টসনা ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শোখখিবা পাঞ্জল ৩ হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা এ সি মিলানগী শান্নরোইশিং উপায় লৈতদুনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী এটেক্ট অমদা এসি মিলানগী শান্নরোই নিকোলা কালিনিকনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী ওইনা জুবেন্টসকী ৪শুবা পাঞ্জল অদু ওইখি। লেমহৌবা মেচকী পুংখাই ফাখিদবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু জুবেন্টসনা এসি মিলানবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থিবা পীরগা লৌখি।



# সাইমোনা হালেপ মায়থীবা পীদুনা কেরোলিনা প্লিসকোভা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, মে ১০ (এজেন্সি) ঃ মাদ্রিদ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সীদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্পু ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীদুনা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোয় কেরোলিনা প্লিসকোভা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা জেক রিপব্লিক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সীদেদ কেরোলিনা প্লিসকোভাগা লম্বা মান্ননা শান্নরকপদা অহানবা সেট অদুদা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা প্লিসকোভানা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু হালেপকী সার্ভিস গেম অমা প্লিসকোভানা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৩দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। প্লিসকোভানা সেমী ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় পেত্রা কিটোভা অমসুং রসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা স্পেনগী শান্নরোয় কর্লা সুআরেজ নভারোবু স্ট্রেট সেট অনীদা ইৱা ৱাদনা ৬-২, ৬-৩দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু রসিয়াগী মারিয়া সরাপোভাবু অকনবা লম্বা অমদা সেট অনীদা মায়থীবা পীরম্বী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনি।

কিকি বর্টেন্সনা সরাপোভাগা শান্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা সরাপোভানা মহাকপু ৬-২দা থোইখি। অদুবু বর্টেন্সকী মায়কৈদগী অনীশুবা সেটতা য়াম্না ফজরক্তুনা সার্ভিস ব্রেক অনী ফংদুনা ৬-২দা থোইরগা সেট অমা মান্নবদগী দিসাইদিং সেট শান্নবদা সরাপোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৩দা মায় পাকপদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াগা লম্বা তৌগদৌরিবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা কনাদাগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা দেনিস সাপোভালোপনা মিলোস রাওনিকপু ৬-৪, ৬-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬-৩, ৬-৩দা থোইরম্বা য়ু কেগী কাইল এদমুনগা শান্নরগনি।

অর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোবু ৩-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৮-৬) তা থোইরম্বা সার্বিয়াগী দুসান লাজোভিচনা জর্মনিগী কোলস্ক্রেবরবু ৬-৩, ৭-৬ (৯-৭) তা থোইরম্বা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা শান্নরগনি। ক্রোএসিয়াগী বোনার্ট কোরিকপু ২-৬, ৭-৬ (৭-৫), ৬-৪ দা থোইরম্বা ওস্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



# মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা কোলকটা নাইট রাইদরসপু রন ১০২দা মায়থীবা পীখ্রে

কোলকটা, মে ১০ঃ ভিভো ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা কোলকটাগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম ইদেন গার্দেন্দা শান্নখিবা ৪১শুবা লীগ মেচ অমদা য়ূম্বু ওইখিবা কোলকটা নাইট রাইদরসপু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রন ১০২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস কোলকটা নাইট রাইদরসনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ২১০ লৌবা ঙমখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী মায়কৈদগী সুর্যকুমার য়াদব অমসুং ইভিন লেবিসনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মখোয় অনীনা খোঙজেল য়াঙনা অহানবা ওভর ৫ অদুদা রন ৪০ লান্থোকপা ঙমখি। ৬শুবা ওভরকী ৪শুবা বোলদা লেৱিস রন ১৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী কেপ্তেন রোহিট শর্ম্মা অমদি য়াদবনা মখা তানা ইন্নিংস শান্নরকপদা ওভর ৩খক পার্টনরসিপ শেমখি। মদুদা রন ১৬খক হাপচিল্লগা লৈরিঙৈ য়াদব রন ৩৬তা আউট ওইখি।

মরিশুবা বেটসমেন ইসান কিষন শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না রোহিট শর্ম্মাগা য়াম্না মরুওইবা পার্টনরসিপ অমা শেমদুনা হান্না অপূনবা স্কোর ৬২ লৈরম্বদগী মখা তানা রন ৮২ হাপচিল্লগা টিম অদুগী স্কোর ১৪৪ য়ৌহল্লকখি। কিষন শুপ্পগী বোল ২১দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরল্লগা পূন্না রন ৬২ লৌখি। মখা তারকপা বেটসমেন হার্দিক পান্দিয়া রন ১৯দা আউট ওইখি। লোয়ননা বেনকটিং অথুবা মতমদা শুপ্পগী বোল ৯দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৪দা আউট ওইখি।

কেপ্তেন রোহিট শর্ম্মা ১৯শুবা ওভরদা রন ৩৬ লৌরল্লগা আউট ওইখিবদগী মুম্বাই ইন্দিয়ান্সগী ইন্নিং অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২১০ লৌখি।

কোলকটা নাইট রাইদরসনা মায় পাকপগী রন ২১১ য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটসমেন অমত্তা রন ৩০ য়ৌবা ঙমখিদে। খৃষ্টলিওন অমদি নিটিস রানানা রন ২১/২১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। তোম কুরন্না রন ১৮ লৌরম্বা শিংথাবা য়াখি। লোয়ননা কেপ্তেন রোবিন উথাপা রন ১৪দা আউট ওইখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ১৯গী অহানবা বোলদা বেটসমেন ১০মক তুরগা রন ১০৮ খক লৈখিবদগী মেচ অদু রন ১০২দা মায়থীখি।

